পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুরী লোয়নশিল্লোন্দা লৈবাক নীংবা হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেভেল সেমিনার অমা ওল্ড এসেম্বলী রোদতা লৈবা হোটেল মাসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা

লাক্লিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেম্বলী মীখলদা কুম্বী এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা শেম-শারিবা এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গিনা সাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চনবা মফমশিংদা থম্বাল কেম্প্যেন চত্থখিবা

ককচিং এ সীদা লাক্লিবা এসেম্বলী মীখল অসি ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইনা পাঙথোকসি অমদি য়ুথ ফোর চেঞ্জ হায়বা পাউজেল পুদুনা আই এন সীগী মীরেপ ওইননবা থৌরাংলিবা য়েংখোম নিলাচন্দ্রবু শৌগৎলদুনা সাইকল রেল্লি চৎখিবা

WE SUPPORT
YENGKHOM
NILACHANDRA
SINGH
Intending Candidate for INC
37 - Kakching A/C

লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল অমসুং লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল নোর্থ এন্দ নোদর্ন হেমেস্ফিয়রনা শীল্লগা সঙাইপ্রৌ নহারোল ক্লবকী মতেংগা লোয়ননা এস ৱাই দি সী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা দাইবেটিস এন্দ গাউট স্ক্রিনিং কেম্প

ৱারেপ লৌবা লৈত্রি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা মীরেপ ওইননবা থৌরাংলিবা মীওই খরদা এন পি এফকী টিকেট শুংশোয় শোয়দনা পীরগনি হায়না শন্দোরক্লিবা অসি অরানবা ৱাফমনি। হৌজিক ফাওবদা কেন্দিদেট ওইগদবা অমত্তদা পার্টিগী টিকেট পীবগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি হায়না এন পি এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী য়ুথ জেনরেল সেক্রেটরি লুইকাং লমাকনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক ফাওবদা পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট অমত্তদা পার্টিগী টিকেট শুংশোয় শোয়দনা পীরগনি হায়না ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি। পার্টিগী টিকেট কম্মিটিনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা লৌরকপা ৱারেপ্পা কনা কনাদা পার্টিগী টিকেট পীগদৌরিবনো হায়বসি লেপকদৌরিবনি। মরম অসিনা মীয়াম্নসু লান্না পাউ শন্দোরক্লিবশিং অসিদা থাজবা তৌবীগনু। কনাগুম্বশিংনসু অরানবা পাউ শন্দোকপীগনু হায়খি।

হৱাই মরূশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): নোদর্ন য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এন য়ু সী ও)না পরিং নাইনা চথদুনা লাকপা ঙালহল্লসি ইমা লৈবাক কেম্প্যেনগী মনুং চন্না নিংথম লৌরোক্কী হৱাই মরূশিং খোঙহাম্পাৎ, অৱাং সেকমাই, মহারাবি, কান্তো খুল্লেন্দা লৈবা লৌমী মীয়ামদা ঙসি এন য়ু সী ওগী থৌমীশিংনা য়েন্থোকখ্রে।

ইরমদম অসিদা লৌমীশিংনা মতম-মতমগী পোথোকশিং মরাং কায়না পুথোক্তুনা ইরমদম অসি চীঙাক্তা মীপাল তাঙদবা লমদম অমা ওইহন্ননবগী পান্দমদা হৱাই মরূশিং অসি য়েন্থোকখিবনি। অরোইবদা লৌমী-শিন্নীশিংবু য়াকাইহন্দুনা মীপাল তাঙদবা চাউখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্লবা পান্দম থল্লি হায়না এন য়ু সী ওগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ জেম্সন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লূপশিংনা শিৎ শেংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): ইপসা, অকোম লূপ, ইপাক, পান্দম, কংলামৈ, কিল, সী কে এল, কে এস এ, কবুই মাদর্স এসোসিএসন অমদি জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগা পুন্না খুৎশম্নদুনা রানি গাইদিনলিয়ু মেমোরিএল কমপ্লেক্স শিৎ শেংখ্রে। রানি গাইদিনলিয়ুগী মেমোরিএল কমপ্লেক্স অসি তরু-তনান্না থম্বা পামজবা লূপশিংগা খুৎশম্নদুনা শিৎ শেংবগী থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি। মখা তানসু মেমোরিএল কমপ্লেক্স অসি তরু-তনান্না থম্নবা অমদি মতমগা চুন্না শেমগৎনবা হোৎনগনি হায়নসু লূপশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পোষ্টর কেম্প্যেন

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎ ঐখোয় পুন্না থিংমিন্নগনি হায়বা পান্দমদা সেলিন দিজিটেলনা চঙশিল্লকপা কোভিদ-১৯ এৱেয়র্নেস কম পোষ্টর কেম্প্যেন ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইরোইশেম্বা চীংগী লম্বী মপালদা পোৎফম ফল্লিবা অমদি পোৎ লৈবা লাক্লিবশিংদা কোভিদ-১৯ পোষ্টর মীয়ামদা য়েন্থোক্তুনা কোভিদ-১৯ এৱেয়র্নেস পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এৱেয়র্নেস কেম্প্যেন অদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী এফ পি ও ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা হায়খিবদা, ঐখোয়না কোভিদ-১৯না পীরক্লিবা চৈনা চৈথেংশিং অসি ফংনা ফংনা হৌজিক হৌজিকসু চেকশিনবগী মমি তাদ্রিবসি অফবা খুদম নত্তে। লাইচৎ অসি ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরি হায়বসি কাওনবগুম তৌরক্লে। মসি তৌবীগনু, মতম খরদি চেকশিনবগী মথক্তা হেন্না চেকশিনমিন্নদুনা লাইচৎ অসি ঐখোয় পুন্না মুখৎমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি। কেম্প্যেন অদুদা সেলিন দিজিটেলগী এফ পি ও, কে এস ঐচ জেমস; আর ও, এস শান্তি শর্ম্মা অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

মীয়ামগী য়াইফনবা অফবা থবক তৌবদা কৈদৌনুংদা কম্প্রোমাইজ তৌরোই : খাগোকপম খম্বা

YOUTH CONCLAV
in support of
KHAGOKPAM KHAMBA
INTENDING CANDIDATE
3-KHURAI ASSEMBLY CONSTITU

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা খুরাই এ সীদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা খাগোকপম খম্ববু শৌগৎপা নহাশিংনা শীন্দুনা ঙসি য়ুথ কনক্লেভ অমা খুরাই অৱাং কোংপাল লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা কে ঐচ খম্বগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা খাগোকপম খম্বনা হায়খি, অশানবা মীৎয়েং অমদি পান্দম অমগা লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফননবা অফবা থবক তৌবদা কৈদৌনুংদা কম্প্রোমাইজ তৌরোই। অফবা অওনবা খুরাই এ সী অমা ওইহন্ননবা পুম্নমক্না হোৎনমিন্নসি। নহাশিং অসি তুংগী য়ুম্বীনি হায়নরিবনি। তুংগী য়ুম্বী ওইগে হায়রগদি মহৈ-মশিন নীংথিনা হৈবগা লোয়ননা মশা-মউ ফনা লৈবসু য়াম্না মরুওই। তুংগী মীরোল কনবা হায়বসি নহাশিংগী খুৎতা লৈ। মরম অসিনা খুন্নাই অসিদা অফবা অওনবা পুরক্লবা হোৎনবদা নহাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই।

মহাক্না হায়খি, হৌখিবা মতমদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংদা শেল অমদি পাঙ্গলগী শক্তি শীজিন্নদুনা লাক্লি। লাক্লিবা এসেম্বলী মীখলগী মতম নকশিল্লকপা অসিদসু অফবা মীহুৎ খনসিদি হায় অদুবু কনাগুম্বা খরনা শেলগী ওইনা উবা অসিদি লানগনি। হন্দক্কী মীখল অসিদদি অসিগুম্বা মতৌ অসি লাকহল্লগুমসি।

ভোট হায়বসি য়াম্না মমল য়াম্মী। মমল য়াম্লবা ভোট অসি থাদরিবা করিগীনো হায়বসি কুপ্না নৈনবীয়ু। ভোট থাদবা মতমদা করিগীদমক্তা করম্বা মীরেপতা ভোট থাদরিবনো। মীরেপ অদুদা করি থাজবা থম্মী হায়বদু কুপ্না খন্থবীয়ু। হান্নদগী লৈরক্লবা ওইরগনা করি করি এক্টিভিটি তৌখ্রবগে হায়বদু নৈনবা মথৌ তাই। অনৌবা থোক্লক্লগনা মীওই অদুগী করি পান্দম লৈ। মহাক্কী মীৎয়েং করিনো, করম্বা মীশকনো হায়বদু কুপ্না নৈনরগা ভোট পীবীয়ু। ব্লাইন্দদা ভোট পীবসি তোক্লসি। করিগুম্বা মীখল অসিদা মায় পাক্লবদি নহাশিং, নুপী ওইবীশিংগী অমদি লায়রবশিংগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা স্কিম কয়াগী কান্নবশিং মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্ননবা হোৎনগনি। মসিদসু নত্তনা ময়াই কাবা চীঞাক অমসুং শেঞ্জা-থুমজা থিংননবা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি। লোয়ননা ময়াই কাবা চীঞাক লল্লোনবশিং মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্ননবা ৱাফম এসেম্বলীদা পুখৎকনি। মরম অসিনা মীয়াম্না লাক্লিবা মীখল অসিদা মায় পাকহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটি ওফ খাগোকপম খম্বা ইন্টেনিদং কেন্দিদেট খুরাই এ সীগী প্রসিদেন্ট থোকচোম মনিবাবু, এদভাইজর তখেলময়ুম নবচন্দ্র, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এলাংবম মংলেম, ভাইস প্রসিদেন্ট লাইরেনলাকপম ইবো, সী ঈ সীগী মেম্বর এম দি লখম, এম দি রহমন অমসুং কোর-কম্মিটিগী মেম্বর ঙাংবম বুধিসু দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

‘পি এম মোদি অমসুং সী এম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক মখা তানা লৈখিগনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক অসি মখা তানা লৈখিগনি হায়না রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী নুঙবী খুল্লেনদা পাঙথোকখিবা চুম্ফা ফনিট কম তরুং কসুনগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, পোলিটিক্স হায়বসি য়াওদ্রবদি ঐখোয় হীরম খূদিংদা চাউখৎপা ঙল্লোই। পোলিটিক্স হায়বসি করিনো খঙদনা ইতাও তাওদুনা চৎলবদি হীরম খূদিংদা শোত্থবা ওইগনি। কুমজা ২০১৭তা মীয়াম্না পরম চুম্না ভোট পীখিবা মরম্না ঙসিদি লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লকপা ঙম্লে। লাক্কদৌরিবা মীখল অসিসু তরাইনা লৌবীগনু। মণিপুরগী ওইনদি য়াম্না লুবা মীখলনি। মচেৎ তানা থুগায়রম্লবা মণিপুরনি। হৌজিক পুনশিন্নবা হৌরক্লবনি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামগী য়াইফননবা পায়খৎলক্লিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া অসিনা লৈঙাক অসি মখা তানা লৈখিগনি। মণিপুরদসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মমাঙথক্তা তৌরমদবা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া তৌরি। হৌজিক লমদম অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অঙকপা ফংনা ফগৎলে। চীং-তমগী মরী চেৎশিনহল্লে। অদুনা সী এম বিরেনগী লৈঙাক পাক হেক্তা মুখৎপা ঙমখিরোই। মখা তানা লুচিংবা অসিগী লৈঙাক লৈখিগনি। লমদম অসিগী চাউখৎ থৌরাং পায়খৎপদা লৈঙাক অসি য়াওদ্রবদি ঙল্লোই। সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা মীয়ামগীদমক খনবা লৈঙাক লৈরকপা অসি য়াম্না নুংঙাই। হৌজিক্তি সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা লৈঙাক লাক্লবনিনা মীয়ামগী য়াইফননবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎলগনি। চীংগী মীহুৎশিংনা য়ারগদি মীখলদা মায় পাক্লবা মতুংদা চীংদা লৈদুনা মফম অদুগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হান্নগী দেপ্যুটি স্পিকর এম কে প্রেসো সিমরে, এম এল এ খাসিম বাসুম, রিটায়র্দ আই এ এস নিঙম চমরোই অমসুং এ দি সী উখ্রুলগী হান্নগী চেয়রমেন কে দিক্সনসু দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা নাৎকী ওইবা জগোয়-ঈশৈ কয়াসু উৎখি।

মীখল ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইনা পাঙথোকসি হায়বা পাউজেল পুবা সাইকল রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): ককচিং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিদা লাক্কদবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী মীখল অসি ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইনা পাঙথোকসি, য়ুথ ফোর চেঞ্জ হায়না পাউজেল পুবা অমসুং ককচিং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিদা আই এন সীগী মীরেপ ওইননবা থৌরাংলিবা য়েংখোম নিলাচন্দ্রবু শৌগৎলদুনা সাইকল রেল্লি অমা চৎখ্রে।

ককচিং য়ুম্বীমচা হায় স্কুল গ্রাউন্দদগী হৌদুনা ককচিং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবা ককচিং, ইরেংবন্দ, সোরা, বিজয়পুর অমদি পল্লেল ফাওদুনা চৎলবা মতুং ককচিং ময়াই লৈকায়দা লৈবা মীরেপ ওইননবা থৌরাংলিবা ৱাই নিলাচন্দ্রগী য়ুমদা লমথুংফম ওইখিবা ঙসিগী সাইকল রেল্লি অদুদা নহাশিংনা ৱি সপোর্ট য়েংখোম নিলাচন্দ্র আই এন সী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট, অনৌবা ককচিং অমগীদমক মীয়াম পুল্লসি, ককচিং য়ুথস সপোর্ট ৱাই নিলাচন্দ্র হায়বনচিংবা থাবা প্লে কার্দশিং পায়দুনা চৎখি।

ঙসিগী সাইকল রেল্লি অদুগা মরী লৈননা মীরেপ ওইননবা থৌরাংলিবা ৱাই নিলাচন্দ্রগী য়ুথকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ভেংকেট নাওরেমনা ফোঙদোরকপদা, ককচিং, ইরেংবন্দ, সোরা, বিজয়পুর অমদি পল্লেলগী নহাশিংনা পুনশিন্দুনা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী ইলেক্সনদা ককচিং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেস পার্টিদা মীরেপ ওইননবা থৌরাংলিবা য়েংখোম নিলাচন্দ্রবু শৌগৎতুনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা গন অমদি মনি পৱার য়াওদবা মীখল অমা ওইহন্নবা অমদি ককচিং এ সীদা কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরিবা ৱাই নিলাচন্দ্রনা ককচিং লমদম অসিদা সেদ্যুল কাষ্ট সর্টিফিকেট ফংনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অমদি হীরম কয়াদা হোৎনখিবা থৌদাংশিং অদু য়েংবীরগা কোংগ্রেস পার্টিনসু ৱাই নিলাচন্দ্রদা টিকেট পীবীয়ু হায়খি।

থম্বাল কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে, নৌনা য়াওরক্লবশিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেম্বলী মীখলদা কুম্বী এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা শেম-শারিবা এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গিনা চত্থরকপা থম্বাল কেম্প্যেন ঙসিসু পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা বি জে পিদা নৌনা য়াওরক্লবশিং তরাম্না ওকখ্রে।

বি জে পি কুম্বী মন্দলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থম্বাল কেম্প্যেন অদুদা এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গি, ৱাঙু বোরায়াংবী জিলা পরিষদকী মেম্বর এম ব্রোজেন, ৱাঙু তেরাখোং জি পিগী প্রধান পি বালেশ্বর, সাইতোন জি পিগী এক্স-প্রধান এস শামুডৌ, ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘ মণিপুর প্রান্তকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমসুং নেসনল এৱার্দী কে ঐচ শামুশাবনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এক্স-প্রধান এস শামুডৌগী য়ুমদগী হৌদোকখিবা থম্বাল কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা সাইতোন জি পিগী মনুং চনবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৯/৭, সাইতোন অৱাং লৈকায়দগী হান্না তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিদা শৌগৎলম্বা ইমুং ১১গী ভোটর ৩০ হেনবনা নৌনা বি জে পিদা য়াওরকপদা বি জে পিগী লেংয়ান ফি য়ান্দুনা তরাম্না ওকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা এন মঙ্গিনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না এ সী অসিগী মীহুৎ ওইনা কারক্লবদি এ সী অসিদা হৌজিক লৈরিবা স্কুলশিং, লম্বী-থোং, থক্লবা টোটি ঈশিং অমদি অনা-লায়েংগী লমদা হেন্না খুদোংচাহন্ননবা অমদি ফগৎহন্ননবা হোৎনরগনি। মমাঙদা মহাক্না এম এল এ ওইরিঙৈ মতমদা কোয়লাস থাদুনা শেল্লম্বা লম্বীশিং মহাক্না এম এল এ ওইখিদ্রবা মতুংদা ঙসি ফাওবা শেমজিনবীদনা লৈরি। মসিদসু নত্তনা হীরম কয়াদা শোত্থরি। করিগুম্বা মীখল অসিদা মায় পাক্লবদি মীয়ামগী অপান্বা মতুংইন্না শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিংসু পায়খৎকনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): জয়েন্ত মেদিকেল ষ্টোর অমদি ব্লুমিং কিটস একাদেমী ময়াং ইম্ফালনা পুন্না শীন্দুনা ময়াং ইম্ফাল বজারদা লৈবা পূজা মান্দপতা ঙসি নোংমগী ওইবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমা ময়াং ইম্ফাল সোসল ৱেলফ্যের ক্লবনা মতেং পাংদুনা পাঙথোকখ্রে।

ফ্রী মেদিকেল কেম্প অদুদা ময়াং ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈবা কয়া লায়েংখিবগা লোয়ননা নিংথম থা চঙলকপদা মরুওইনা অঙাংশিংদা নারকপা য়াবা লায়নাগী মরমদা মীয়ামদসু ৱাখল তাহনখি। হেল্থ কেম্প অদুদা লায়েংখিবা অনাবশিংদসু লেম্না হিদাক লাংথক ফংহনখি হায়রি।

লান মান্দবা লান মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জে লূপ (ইমাখোল) অৱাং পোৎশংবমনা শীন্দুনা লূপ অসিগী নহা ওইরিবা অইবা থৌদাম শ্যামজাই (ইরিকখোম্বা)না ইবা *লান মান্দবা লান* হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক ঙসি নুংথিল ট্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুট, চিংমৈরোংগী ওদিটোরিয়মদা ফোঙখ্রে হায়না ইমাখোলগী সেক্রেটরি ৱাহেংবম রোমেন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, ন্যু দেল্লীগী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অথোইবা লেংবীরকপা, ইমাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. রাজকুমার গুনচন্দ্রনা থৌরম মপু অমদি সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী শরতচান্দ থিয়ামনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা ঙসি ফোঙখিবা লাইরিক অদুগী মরমদনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. অকোইজম শান্তিবালানা মরিক চুম্বা ৱাফম থম্বীখি।

ঙসি ফোঙখিবা লাইরিক অসি লূপ অসিগী ১০৪ শুবা লাইরিকনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লোয়নশিল্লোন্দা লৈবাক নীংবা হায়বা হীরমদা সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম (পি এ দব্লিয়ু এফ) মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুরী লোয়নশিল্লোন্দা লৈবাক নীংবা হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেভেল সেমিনার অমা ওল্ড এসেম্বলী রোদতা লৈবা হোটেল মাসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সেমিনার অদু পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৱাংনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজগী দিন প্রোফেসর এন অরুনানা মোদরেটর ওইখি। সেমিনার অদুদা ডা. হামোম নবচন্দ্রনা লৈবাক নীংবা ঈশৈগী মতিক ময়াই অমসুং অঙনবা মতমদা মণিপুরী দ্রামাশিংদা লৈবাক নীংবগী ঈশৈ, নরেন্দ্র নিঙোম্বনা চনা লুখোইগী লীলাগী খুৎইদা তারিবা মরৈবাক মরমদমবু নুংশিজবগী ইথিল, ডা. মখোনমনি মোংশাবনা যোদ্ধচন্দ্র সনসমগী খুৎইদা তারিবা লৈবাক নীংবগী মশক, ডা. অথোকপম খোলচন্দ্রনা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী প্লেশিংদা তারিবা লৈবাক নীংবগী মশক অমদি লাইশ্রম লেনিননা রঘু লৈশাংথেমগী খুঙ্গংগী চিঠিদা মমা লৈবাক হায়বা হীরমশিংদা ৱা ঙাংখি।

সেমিনার অদুদা মোদরেটর ওইখিবা প্রোফেসর এন অরুনানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা লিটরেরি ওর্গনাইজেসন য়াম্না লৈরে। অদুবু ওর্গনাইজেসনগী মমিংদা পেট্রিওটিক হায়বা ৱাহে অসি শীজিন্নদুনা মমিং থোকপা ওর্গনাইজেসনদি পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা অহানবনি। পেট্রিওটিজমগী ৱাখল্লোন চেনবা অইবশিংগী ওর্গনাইজেসন অমনি হায়বসিসু ওর্গনাইজেসন অসিগী মমিং অসিনা তাক্লে। মসি ওইদুনসু লমদমসিগী অইবা-অইবীশিংনা মরৈবাক মরমদমবু নুংশিদবদি খক য়াওরল্লোই। ফোরমনা ঙসি শীল্লিবা সেমিনার অসিনা অনৌবা রিছার্সরশিংদা কান্নবা কয়াদি শোয়দনা পীরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

দাইবেটিস অমসুং গাউটকী স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল অমসুং লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল নোর্থ এন্দ নোদর্ন হেমেস্ফিয়রনা শীল্লগা সঙাইপ্রৌ নহারোল ক্লবকী মতেংগা লোয়ননা এস ৱাই দি সী কম্যুনিটি হোলদা নোংমগী ওইবা দাইবেটিস এন্দ গাউট স্ক্রিনিং কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়না লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী লায়ন মানস মৈস্নামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, স্ক্রিনিং কেম্প অদুগা মরী লৈননা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী প্রসিদন্ট লায়ন আই গোজেন্দ্রোনা হায়খি, দাইবেটিস অসি হৌজিক গ্লোবেল ইস্যু অমা ওইরে। নবেম্বর থা অসি দাইবেটিস এৱেয়র্নেস মন্থ ওইবনা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল অমদি অতোপ্পা ক্লবশিংনসু দাইবেটিসকা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লি হায়খি।

কেম্প অদুদা রিমসকী হান্নগী মেদিসিনগী প্রোফেসর ডা. ৱাই ইবোতোন অমসুং সিনিয়র পেদিয়াট্রিসিয়ন ডা. শ্যামকুমার লাইশ্রমনা দাইবেটিসকী মরমদা এৱেয়র্নেস লেকচর পীখি। লোয়ননা সঙাইপ্রৌ অমদি অকোয়বদা লৈবা মীওই ১০০ রোম কেম্প অদুদা দাইবেটিস অমসুং গাউটকী স্ক্রিনিং তৌখি হায়রি।

কনাগুম্বা খরগী ইন্টরেষ্টতা য়েংলগা লো শেম্লক্লবদি মায়থীবা নংগনি : ইবোহল

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): লৈবাক মীয়াম্না য়াগদবা বিল, পোলিসী, লো শেম্বীয়ু। কনাগুম্বা খরগী ইন্টরেষ্ট য়েংলগা লো শেম্লক্লবদি লৈঙাক অসিনা লৌমী মীয়ামগী মখুৎতা মায়থীরিবা অসিগুম্না মায়থীবা নংগনি হায়না কুম্বী এ সীদা কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ ওইননবা শেম-শারিবা নিঙোম্বম ইবোহল মৈতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৩ ইথাই খুনৌদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা নিঙোম্বম ইবোহল মৈতৈনা হায়খি, লৈবাক অমা ঙাকপা হায়বসি য়াম্না অরুবা অমনি। হৌজিক লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা কোংগ্রেস পার্টিদগী য়াম্না তমজনিংঙাই লৈরি। লৈবাক অসিদা কাঙলুপ-ফুরুপ কয়া খুন্দারিবনি। মসিদা কাঙলুপ-ফুরুপ অমখক্কী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবগী মমি তারিবা অসি য়ানিংদে। মসি তৌরোইদবনি। সেক্যুলরিজমগী ৱাহন্থোক ফজনা খঙফম থোকই। কম্যুনিটি অমখক্কী ইন্টরেষ্টতা লৈবাক ঙাক্কনি খল্লবদি মীয়াম্নসু মখোয়বু লৈঙাক মখা তানা পায়হনবীগনু। করিগুম্বা মখা তানা লৈঙাক পায়হনখিবা থোক্লবদি লৈবাক অসিগী ইন্টিগ্রিটি অমদি তুংগী লম্বীদা অকায়বা ওইরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

কুম্বী ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা ফার্ম লো অহুমগী খোঙজংদা মীশিমীনা নংখ্রবা অমদি অশোক-অপন নংখ্রবা মীওই ৭৫০ হেনবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা কুম্বী ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন চন্দ্র, সেবা দল মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরি কে ঐচ রাজেন, রিটায়র্দ পঞ্চায়ট সেক্রেটরি কে নিমাই, রিটায়র্দ টিচর আই অরুনকুমার অমদি এল তমারসু শরুক য়াখি।

ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলুপ, হাওবম মরক ইরোম লৈকায়না শীন্দুনা স্কুল মহৈরোয়শিংগী থাঙ-তাগী নুমীৎ ২০ নি চুপ্না চত্থগদবা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন ‘লৈতেং-থাঙ’ লূপ অসিগী শঙলেনদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

লূপ অসিগী দিরেক্টর চিংথাম রঞ্জিৎ খুমননা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা হৌদোকখিবা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন অদুদা মহৈরোয় নুপীমচা অমদি নুপামচা পুন্না ২০না শরুকয়ারি। ৱার্কশোপ অসি লাক্লিবা দিসেম্বর ১০ ফাওবা চত্থগনি। মরুওইবা তাকপী-তম্বীবগী থবক্না চিংথাম রঞ্জিৎ খুমননি। অদুগা মতেং পাংলিবশিংনা বি সুরজকমার শর্ম্মা, কে বালেশ্বর, টি রবি অমসুং ইরোম রোনাল্ডো মৈতৈনি। থৌরম অসি মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ন্যু দেল্লীগী কলচরেল ফঙ্কসন এন্দ প্রদক্সন গ্রান্টকী শেন্থংগা লোয়ননা লূপ অসিনা শীন্দুনা পাঙথোকপনি হায়না লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট চিংথাম বিনোদ খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চাক্কৌবা লাকখিবা নিঙোলশিংবু অথিংবা পীখিবা লৈবাক মচা তাদবা থৌওংনি : ইরাবত

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): ৱাংখৈ এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ৱার্দ মরিগী নিঙোলশিংবু মথং-মথং নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ৱার্দ নম্বর ২৬তা লৈবা নিঙোলশিংবু মহাক্কী য়ুমদা চাক্কৌবদা লৈইংখোল এরিয়াদগী চাক্কৌবা লাকপা নিঙোলশিংবু এক্স-এম এল এ ওক্রম হেনরি অমসুং মহাক্কী সিক্যুরিটি শীজিন্নরগা চাক্কৌবা চৎতনবা অথিংবা পীখিবগী থৌওং য়াম্না লৈবাক মচা তাদবা থৌওংনি হায়না ৱাংখৈ এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, ৱাই ইরাবতনা ফোঙদোকখ্রে।

খুরাই অহোঙ্গৈদা লৈবা মশাগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম এল এ, ৱাই ইরাবতনা হায়খি, লাক্লিবা এসেম্বলী মীখলগী অকনবা কেম্প্যেন চত্থদুনা লাকপগা লোয়ননা মীখল অসিদা মায় পাকপা ঙম্মনবগীদমক এ সী অসিদা লৈরিবা নিঙোলশিংবু চাক্কৌদুনা মখোয়দগী য়াইফ মঙ্গোল নীবগী থৌরম হৌখিবা নবেম্বর ১৭তগী হৌরগা এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ৱার্দশিংগী নিঙোলশিংবু মথং-মথং চাক্কৌদুনা লাক্লি। ঙসি অসি ৱার্দ নম্বর ২৬কী এরিয়াদা লৈরিবা নিঙোলশিংবু হিয়াঙ্গৈগী থাগী চাক্কৌদুনা য়াইফ মঙ্গোল নীজবনি। নিঙোলশিংবু চাক্কৌদুনা অঙম্বা খুদোল পীদুনা য়াইফ মঙ্গোল নীবগী থৌরম অসিদা লৈইংখোলদা লৈবা নিঙোল ওইবী কয়ানা চাক্কৌবা লাকপদা এক্স-এম এল এ ওক্রম হেনরিনা দিমোক্রেসিবু খোঙ্গোয়নদুনা মহাক্কী সিক্যুরিটি শীজিন্নরগা নিঙোল চাক্কৌবা চৎপা য়ারোই হায়না অথিংবা পীখিবা অসি লাইবক থীবনি। নিঙোলশিংবু চাক্কৌবা চৎপদা অথিংবা পীদুনা চত্থখিবা অরানবা থৌওং অদুগী খুদম চাংদম লৈ। থৌওং অসিদি তৌহৈদবা থৌওংনি।

মীয়ামগী অনীংবা অপান্বশিং ভাইওলেন্স চত্থরগা থিংবা খক ঙল্লোই। মীয়াম্না অনীংবা অপান্বা মীরেপতা ভোট পীবগী রাইট লৈ হায়বসি খঙজিনবা চুমগনি। ও হেনরি অসি অঙাং মচা মানবা পোলিটিক্স করিনো নীংথিনা খঙবা ঙমদবা মীওইনি হায়বা ৱাংখৈ এ সীগী মীয়াম্না নীংথিনা খঙলে। মহাক্কী মথক্তা কেস কয়াসু লৈরিবনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মীওই অমবু সী এমগী এদভাইজর ওইনা হাপখিবা অসি তৌহৈদবা থবক্লি। মহাক্কুম্বা মীওইবু এদভাইজর হাপ্পা অসি ষ্টেট লৈঙাক্কী মিংচৎ থিহন্ননবা থৌওং ওইগনি হায়নসু এম এল এ, ৱাই ইরাবতনা মখা তানা ফোঙদোকখি।